# বি জে পিনা কোংগ্রেসতা ওনশিন্দুনা...

*লমায় ১গী মখা...* কন্নবগীদমক করিগুম্বা অমত্তা তৌরমদ্রবসু বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী খোল্লাও মতুংইন্না মীয়ামগী দিমান্দশিং ফংহন্নবা হোংনৈ। মীয়াম্না মতম শাংনা তাল্লকপা এন আর সী চংনহন্নবা অমদি সূ লৌথোক্ল বগীদমক এসেমব্লিদা ৱারেপ লৌদুনা সেন্টরদা রেকমেন্দেসন থাখ্রে।

এন আর সী চংনহনবা নংত্রগা চংনহন্দবগী মতাংদা কোংগ্রেসকী ফিরেপ ষ্টেট অমসুং সেন্ত্রেল লুচিংবশিংনা খঙহনবা লৈতে হায়রদুনা হন্দক পাঙথোকখিবা এসেমব্লি মীফমদা এন আর সীগী মতাংদা খন্নরকপদা কোংগ্রেস এম এল এশিং মপান থোকখি। মণিপুরদা থোল্লিবা ৱাথোক কয়াগী মতাংদা কোংগ্রেসনা মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা ৱারেপ লৌখিবা লৈতে হায়রদুনা মীয়াম্না দিমান্দ তৌরকখিবা আই এল পি অসিসু বি জে পিনা চংনহনবনি হায়খি।

মসিগী মথক্তা মণিপুরদগী তোঙানবা লৈঙাক পীবা য়ারোই হায়বগী ৱারেপসু লৌদুনা সেন্টরদা থাখ্রে হায়রদুনা মণিপুরদা হৌজিক থোল্লিবা ৱাথোকসিগা মরী লৈননা কোংগ্রেসকী করম্বা অচেৎপা ফিরেপ লৌখ্রবগে হংখি। কোংগ্রেসনা ৱাহন্থোক অনী লৈবা ৱাঙাও ঙাঙদুনা মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা হোৎনরকপা য়াবা ঙল্লোই হায়খি।

মণিপুরনা অসুক লুরবা তানফম অমদা লৈরিঙৈ অমদি মায়কৈ কয়াদগী মীখল তৌবা য়ারোই হায়না ফাওবা হায়রকপা লৈরিঙৈদা বি জে পিগী ওইনদি হুন্নবা তৌগুমসি হায়না পার্টিগী থবক থৌরমশিং পাঙথোল্লগা লৈবনি। তংদু লৈতাদবা ফীভমসিগা মরী লৈননা পার্টি কয়াদগী লৈঙাক্তা মরাল শীরকপা লৈরি। অদুবু মরম চাদনা কোংগ্রেসকী অলফ্রেদ কে অর্থরনা শীরল্লিবা মরালশিং অসি মীয়াম্বু লান্না লমজিংবনি। চহী তরেৎ শুরল্লবা মণিপুর লৈঙাক্লা চীং অমদি তম খেন্নবা থমদনা চাওখৎ থৌরাংশিং পায়খৎলি। গো টু হিলস মিসন ফাওবা হৌদোকপগা লোয়ননা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা কেবিনেট মীফম পাঙথোক্তুনা মফমশিং অদুদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি হায়খি।

কোংগ্রেসনা লৈবাক মীয়ামগী য়াইফন্নবা থবক্তি অমত্তা তৌদনা মীখলগীদমক মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা হোৎনবনা কোংগ্রেসতা হেন্না মাঙজবা ওইগনি হায়নসু এলাংবম জোন্সননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ইম্ফাল ইষ্ট দি সীগী ‘এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটি’...

*লমায় ১গী মখা...* নাওরিয়া জি পি (ক্ষেত্রিগাও সী দি ব্লোক) কী ওফিসসু ওর্দর হন্দোক্ত্রিবা ফাওবা হাংহল্লোই হায়দুনা ছো লোনশিনখি।

অমরোমদা কোংপাল ক্ষেত্রি লৈকায় কম্যুনিতি হোলদা কোংপাল চনম লৈকায়, ক্ষেত্রি লৈকায় অমসুং শাবল লৈকায়গী মৈরা পায়বীশিংনসু ওর্দর অসিগী মায়োক্তা ৱাকৎ খোঙজংশিং চঙশিনখি।

খোঙজং অসিদা শরুক য়াখিবী কোংপাল চনম লৈকায়দগী গিতারানিনা হায়, থা অসিগী ৮দা দি সীনা ওর্দর থোক্তুনা এদমিনিষ্ট্রেটিভ কম্মিটিগী মীহুৎশিং খনগনি হায়বসি য়ানীংদে। মরমদি হান্না পাউ অমত্তা খঙহনখিবসু লৈতে হায়রদুনা কম্মিটি অসিদা পঞ্চায়টকী থবক শীন্নবা য়ারোই। ওর্দর অসি অথুবদা হন্দোকপীয়ু। পঞ্চায়টশিংগী মীখল অথুবা মতমদা পাঙথোকউ। মীখল পাঙথোকপা ঙমদ্রবদি হান্নগী পঞ্চায়টি রাজ ইন্সটিট্যুসনশিংদা থবক শিন্নৌ হায়খি। ওর্দর অসিগী মায়োক্তা টোপ ময়ায় লৈকায়, এস এ সী কম্যুনিতি হোলদসু মৈরা পায়বীশিংনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখিবগা লোয়ননা টোপ দুসেরা জি পিগী মনুংদা লৈবা নুপীশিংনসু পেন্দবা ফোঙদোকখি। খোঙজংদা শরুক য়াখিবশিংনা পি আর আইশিংগী মতম থা ৬ শাংদোক্কদবনি হায়না কোর্টতা কেস তৌরকপদগী মথং থাগী ১৫দা হিয়ারিং চত্থগদৌরিবনি হায়রদুনা চৈরকসিদা দি সীনা ওর্দর থোকচিল্লকপা য়ানীংদে হায়খি। এদমিনিষ্ট্রিটিভ কম্মিটিগী মীহুৎশিং অসি করম্বা কন্দিসনদা খল্লিবনো হংলদুনা ক্বালিফিকেসনদা য়েংলগা খনব্রা নংত্রগা শেল পায়বশিং খল্লগা হাপ্লিব্রা হায়বা ৱাহংসু হংখিবগা লোয়ননা টোপ দুসেরা জি পিগী ওফিস ছো লোনশিনখিবনি।

# থম্নাপোকপী, গ্বালতাবী য়াওনা মফম...

*লমায় ১গী মখা...* মরম অসিনা চহী কয়াগী মমাঙদগী ঐখোয় অমত্তা ওইনা লৈমিন্নরল্লিবনিনা মীয়াম্না লম্বীদা গাড়ীশিং চৎথোক চৎশিন তৌবদা অপনবা পীবিগনু হায়খি।

হৌজিক খুদোংচাদবা তাঙ্কক অমা ফাওদুনা চৎলিঙৈ ওইরগসু চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংদি মখা তানা চত্থগদবনি হায়রদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরগীদমক চাউরাক্লা লুপা ক্রোর ৩৫০০ রোমগী তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিংগী উরেপ তমখ্রে অমসুং শঙ্গাবসু য়াওখ্রে হায়খি।

উরেপ তম্লম্বশিংগী মনুংদা লম্লাইদা নেচরেল গ্রাসকী ফুটবোল গ্রাউন্দ শাগৎনবগী উরেপ উয়ুং তম্বসু য়াওখি হায়রদুনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মসিগী থবকশিং ঙসিদগী হৌনবা ৱারেপ লৌবনি হায়খি। অদুগা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা লম্লাইদা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংগী ওইবা স্পোর্টস কমপ্লেক্স অমা শেমগৎনবা প্রপোজেল অমা থাখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিবু থৌনা ফন্না নুপী অমসুং নহাশিংনা মায়োক্লবগীদমকসু চীফ মিনিষ্টরনা থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা চাওখৎপা পুরকপা ঙম্ন বগীদমক লম্ খুদিংমক্তা কখোকপগা লোয়ননা থবক তৌবগী মরু ওইবশিং পনখি।

কুমজা ২০১৭তগী মহাক্লা লুচিংবা লৈঙাক লাকখিবদগী মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নবা অমসুং শেংলবা মফমশিং ঙাক শেন্নবা হোৎনরক্লি। অদুগা চীংখোঙ চীংয়াশিংদা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং থল্লে হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অসিদা মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাই, খাসিম ভাসুম, রাজ্য সভাগী এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবা, এম এল এশিংদা কে ঐচ ইবোমচা, এস কুঞ্জকেশোর, টি ঐচ অরুনকুমার অমসুং সৈখ নুরুল হাসন য়াওনা লৈঙাক্কী ওফিসলশিংনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বাজিৎনা থৌরমগী ময়ায় তাংবল লৌখি।

GAS NEWS

**KHORIPHABA NAMBOL BK. UP-TO-DATE**
HOME DELIVERY : 8787632782/7005229445
**CANCHI INDANE SERVICE BOOKING UPTODATE**
14KG,10KG,19KG & 5KG
UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY ONLY
DELIVERY WITHIN 4 DAY
TIMING 08.00 TO 10.00AM
GAS LOUBA MATAMDA REGISTER TOUBA MOBILE PUTHOKPIYU
**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UP TO-03-03-2024,**
VALID FROM 29-02-2024,
**STOCK: 306,**
HOME DELIVERY ONLY.
(DELIVERY WITHIN 4 DAYS)
CONTACT NOS: 9862634903, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM
**M/S K&K INDANE SERVICE, HOME DELIVERY ONLY BOOKING UPTODATE**
CALL TIMING: 8AM TO 12NOON
*URIPOK, THANGMEIBAND, LANGOL- Tiddim line. Mayai Lambi. Imphal East. Singjamei. 9362663937
Tiddim line 87946 84988
SAGOLBAND TERA & SURROUNDING 8787530107 / 8014963395 /9863654574 /9774213728 /9089519886.
TAKYEL LANGJING,PATSOI AREA/8258856407 / 98622 39855 8014963395
KONTHOUJAM A/c 9863201839, / 8014963395
LAMSHANG A/C - 9612493837 / 8014963395
**MANIPUR GAS SERVICE, Booking 05/02/2024**
Valid from 10/01/2024
Home delivery only
Time: 8am to 2pm
Complain and Enquiry no: 8730954041
**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
**BOOKING UPTO DATE**
TIMING 9:00 AM TO 12:AM
CONTACT NUMBER
FOR ALL IMPHAL-WEST , IMPHAL-EAST & LANGOL 8131942156 (SMS ONLY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052 7628077876(enquiry)

# মণিপুর থুগাইরগা তোঙানবা লৈঙাক লৌগনি...

*লমায় ১গী মখা...* তানা হায়বদা কে আর এ (য়ু) না য়ু থকই হায়বগীদমক ৱারক-ৱাতেম্বগী থবক চত্থরবসু মীওই অনী শিরগা অমা শোকহনখিবা থৌদোক অসিগী মায়োক্তা মফম অদুগী খোইশাওনরবা মীয়াম হৌরক্তুনা মোটবুংদা লৈবা লালহৌলূপ অসিগী ফাইনান্স সেক্রেটরিগী দুকান মৈ থাদোকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী যুমসু অকায়-অতোয় থোকহনখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসিগী পাউ তাবগা গমনোম সপরমৈনা অমসুং কাংপোকপী পি এসকী পর্সনেলশিংনা অসাম রাইফলসকা লোয়ননা থৌদোক থোকফমদা চঙশিল্লক্তুনা ঈরাং অদু লাকশিন্নবা হোৎনখি। অদুম ওইনমক মশীং য়াল্লবা খোইশাওনরবা মীয়াম্বু কন্ট্রোল তৌবা ঙমহৌদবদগী কে আর এ (য়ু) গী ফাইনান্স সেক্রেটরিগী দুকান মৈনা তুম্না থাদোকখিবনি। অদুগা মহাক্কী যুমদি থুগাই-য়ানখাইবা হৌরকপদা সিক্যুরিটিনা অথিংবা পীবদগী মৈদি থাখিদ্রে হায়রি।

থৌদোক অসি থোকখ্রবা মতুংদা মফম অসিদা মখা তানা মীশি-মীনা য়াওবা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরকপা য়াই চিংনবদগী অহেনবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং চঙশল্লক্তুনা ঙাক শেনবগী থবক লৌখৎখ্রে।

ঙরাংগী থৌদোক অসিগী মতাংদনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা থিজিনবা হৌখ্রে হায়রি।

The Four Pillars Coaching Institute
Empowering Aspirants
A complete guidance for all competitive exams
UPSC, MPSC, SSC - CGL, CPO, CHSL, MTS, SBI, IBPS, RRB - PO, CLERICAL, RAILWAYS, INSURANCE, CSAT, TET, CTET, CDS, CPF, LIC, Government and PSU jobs etc.
Grab the opportunity to learn from the top faculties of Manipur
Congratulations Dear Aspirants !!!

GENERAL FOUNDATION COURSE
For SSC, Bank and Other Exams.
Duration Of Course - 7+ Months
Morning Shift : 6:00 am to 8:00 am | 13th March, 2024
Morning Shift : 8:15 am to 10:15 am | 18th March, 2024
Afternoon Shift : 2:00 pm to 4:00 pm | 1st April, 2024
GENERAL STUDIES COURSE
For UPSC, MPSC,CAPF AC, CDS and other Exams.
Duration Of Course - 6 Months
Morning Shift : 8:15 am to 10:15 am | 11th March, 2024
MATHS SPECIAL COURSE For SSC, Bank and Other Exams.
Duration Of Course - 7 Months
Noon Shift : 11:00 am to 1:00 pm
4th March, 2024
Contact : 7005755924 9862697900
Hostel and Rent Facilities for Both Gents & Ladies
* Get Registered at our Office for 5 Free Demonstration Classes
For Queries: 7005755924, 9862697900 OFFICE ADDRESS : SAGOLBAND MOIRANG LEIRAK MACHIN.
HL-P-9642/18-29/1-18march

# লোক সভা মীখলগী মাঙওইননা পোলিটিকেল পার্টি ...

*লমায় ১গী মখা...* নোল্লিবা মীয়াম্না খঙই। মীয়ামদা মিত্রং তৌরিবনি হায়বসু খঙই। রিফ্যুজি ওন রিলিফ কেম্প অমদি অমোৎপশিংতনা থল্লবা ফেব্রিকেটেদ হাউসতা লৈরিবা মীয়াম্না ভোটকী পাউজেল তানীংদে। মখোয়দি মমিৎ উইশিল্লগা পূন্সি লেঞ্জনবা মৈ থাদোকপীখ্রবা যুমদুবু পিরাং শিন্থদুনা হেক্তা নীংশিংই। মরম অসিনা লান অসি চপ চানা লেপহল্লু, ঈং-তপ্পা চপ চানা হঞ্জিলহল্লু। পাউচেদা, টিভিশিংদা ঙাওবগী মহুত্তা অশেংবা ঈং-তপ্পা পুরকউ। অদু ওইরবদি দেমোক্রেসিগী অশেংবা শক্তমদা পার্লিয়ামেন্টকী ইলেক্সন পাঙথোকপা য়াই। লান অসি থোরকপদগী মে ৫দগী হৌরদুনা ঈং-তপ্পা অমসুং মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিলহনবা খক্তনা ৱারোইশিন ওইগনি হায়না সী পি আইনা দিমান্দ তৌদুনা লাকখিবনি হায়খি।

ঙসিগী কনফরেন্স অসিদা হান্নগী পার্টিগী কাউন্সিল্লর ভেটরেন মেম্বর মুতুম শামুঙৌনা ময়ায় তাংবল লৌখি অদুগা পার্টিগী ষ্টেট সেক্রেটরি লৈশাংথেম থোইরেল অমসুং ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বর এস সোরোজিনিসু ময়ায়গী ফম্ফমদা ফমদুনা শরুক য়াখি হায়রি।

অমরোমদা, লম্লাই এ সীগী নোংঙাদাদা লৈবা মণিপুরগী ঙমখৈ কন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা ফেরোইজম কহ্বাইমচাগী নীংশিং হোলদসু ৪৬শুবা সী পি আইগী ব্রাঞ্চ অসিগী কনফরেন্সসু পাঙথোকখ্রে হায়রি।

লম্লাই লোকল কাউন্সিল সী পি আইগী সেক্রেটরি পুর্ণিমাসিনা থোরকপা চেরোল অমনা মখা তানা হায়বদা মীফম অসিদা জন নেতাগী খোঙবুরোই ওইরমখিবা ইবোথে অমসুং ইন্দ্রবিরনা মথংশিংনা ময়ায় তাংবল লৌখি। ব্রাঞ্চ সেক্রেটরিনা চহীগী রিপোর্ট পুথোকপগা ইরোয়ননা পি সনজিৎনা কনফরেন্সকী নুংগী ওইবা ৱারোল ফোঙদোকখি।

মীফম অসিদা পার্টিগী ষ্টেট এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমার, সেক্রেটরিএট মেম্বর এল সুমতিবলা, দিষ্ট্রিক্ট সেক্রেটরি ঐচ বিমোলনচিংবা পার্টিগী মীওইশিংনা খন্ন-নৈনবদা শরুক য়ারদুনা ৱা ঙাঙখি হায়রি।

পার্টি অসিগী লৈখিদ্রবা ফেরোইজম পরিজাৎনা লম্লাই এ সীগী অচৌবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পাঙথোল্লক্মী। মরম অদুনা ঙসিগী মীরোলনসু মণিপুর কন্নবা অমসুং তংদু লৈতাবা পুরক্লবা হোৎনগদবনি হায়খি।

কনফরেন্স অসিনা নোংঙাদা খুলগী মখা থংবদা লৈরিবা মল্টি ষ্টোরিগী প্রাইমারি হেল্থ সেন্টর অসি অথুবা মতমদা শেমজিন শাজিনবগা লোয়ননা মতিক চাবা ডাক্তর অমদি ষ্টাফশিং থারক্তুনা মীয়ামগী অনা লায়েংগী থবক মপুং ফানা তৌহন্নবা অমদি ঙসিগী তংদু লৈতাদ্রবা ফীভমসিদা মীয়ামগী কান্নবা পীনবা তকশিনবা হায়বগী ৱারেপ লৌখি হায়রি। মীফমগী মনুং চন্না মেম্বর ৮০ হেন্না লৈবা পার্টিগী ব্রাঞ্চ অসিগী চহী অমগী থবক পুনবা ব্রাঞ্চ এগজিক্যুটিভশিং খনখিবগা লোয়ননা দল্লিয়ু সোমোরেন্দ্রবু ব্রাঞ্চ সেক্রেটরি ওইনা য়েংনবা য়াওদনা খনখি হায়রি।

## কার লাকখ্রে...

*লমায় ১গী মখা...* লাকখিবনি। অদুবু শকখঙদবশিং অদুনা মফম অসিদা গাড়ী অসিবু খাল্লবা মতুংদা মখোয় য়াওনা থৌদুনা মতেক অমা চৎলবা মতুংদা মীওই অহুমদু কুমথহল্লম্লগা গাড়ী অসি পুদুনা চৎখিবনি হায়রি।

থৌদোক অদুগা ইকান কান্নদনা নোংমৈ কাপ্পগী মখোলসু তাখি। অদুম ওইনমক নোংমৈ অদুনা কনানা করিগীদমক কাপ্পনো হায়বা খঙবা ঙমখিদ্রি। কার অসিদা তোংলকখিবা মীওইশিং অদু এম এল এ অমগী ৱার্করশিংনি হায়রি।

# লান মনুংদা চীঙাক্তা মীপাল তাংদনবা এঙ্গাং...

*লমায় ১গী মখা...* মীয়ামগী চান-থক্লবা পোৎলমশিং ৱাৎশিল্লকপগী অৱাবা মায়োক্ল রকপদগী লমদমসিগী নহাশিংনা পূনশিল্লগা শেমখিবা ‘লময়ানবা লৌমী লূপ’ না মণিপুর মীয়ামগী চীঙাক্তা মীপাল তাংদনবা অমসুং অৱাৎপা লৈহন্দনবগীদমক অকনবা মওংদা এঙ্গাং-নাপি, মনা-মশিং থাবগী থবক পাক্তক্লনা চত্থরল্লে।

লূপ অসিনা লান নংলিবা মীয়ামগীদমক চীঙাক্কী অৱাৎপা লৈহন্দনবা লৌখৎলল্লিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা লূপ অসিগী সেক্রেটরি ওইরিবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী লৈম্রাম ময়ায় লৈকায়দগী নিংথৌজম রোসনগা হকথেংননা উনরুবদা মহাক্লা পাউচে অসিদা হায়, ঐহাক অপোকপা ইপা লৈখিদ্রবা মতুংদা অপোকপী ইমা (সনাহনবী) য়াওনা ইচিল-ইনাও নুপা ২, নুপী ২গা পূন্না হিংনবগী লানফমদা থৌনা ফবা লান্মী ওইনা অঙম অঙম্বা থবক শূদুনা মীমান্ননবা হোৎনরকখিবনি।

হৌখিবা কুমজা ২০১৪দগী কে ভি কে, বিষ্ণুপুরগী সবজেক্ট মেট্টর স্পেসিএলিষ্ট (হোর্টিকলচর) ডা. বিজয়াগী লমজিং মখাদা ‘ইন্টর ক্রোপিং ফোর ক্রোপ প্লান্টেসন’ তৌদুনা হেন্না শেন্দোং ফংনবগীদমক লৌ লোক্লবা মতুংদা হাঙদুনা লৈহৌগদবা লৌবুকশিংদা মহে-মরোং, মনা-মশিং থাবগী থবক হৌরকখিবনি। থারিবশিংগী মনুংদা খামেন অশিনবা, মোরোক, মিথি অমদি অতৈ মরূ-মরাংশিং থাবদগী শেন্দোং ফংবা হৌরকখি।

চুজাক মরক্তা অতেনবা মতমগী পোথোক পুথোকপা য়াবা ফদিগোম থাবগা লোয়ননা অতৈ মনা-মশিংশিংসু থাবা হৌরকখি। লৌ লোক্লখ্রবা মতুং দিসেম্বর অমদি জন্যুৱারী থাদগী হৌরগা জুন-জুলাই ফাওবগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা মতমদা মহে-মরোং, মনা-মশিং থাদুনা ইমুং মনুংগী অৱাৎ-অপা মেনখৎলকখিবনি। মসিদা নত্তনা যুমদসু ওক, য়েন অমদি ঙানুনচিংবা লোয়দুনা শেন্দোং হেন্না ফংনবা হোৎনরকখি হায়রি।

থবকশিং অসি মায় পাক্লা চত্থরকখিবদা চহী অমদা অচঙবা শেনফমশিং খাইদোকখ্রগা শেন্দোং ওইনা লুপা লাখ ১ রোম য়াম্না লায়না ফংবা ঙম্মী। হৌখিবা কুমজা ২০১৯ অমদি ২০২০দদি কোভিদ -১৯ মায়োক্লখ্রবসু থবী থাবদা শেন্দোং মরাং কায়না ফংখি। অদুবু অহানবদদি লৈবীনবা লৈতবদগী মাঙদুনা তোক্লগদ্রা হায়দুনা মীপাইখি অদুবু মমৈথংদদি লৈবীনবা মীওইশিং থোরক্তুনা ঐনা ৱাজরম্বদু কোকখি।

লৌ শঙম অমদা থবী, কোবি ব্রোক্কোলি অমদি কোবি ফুল থাবদা অহানবদদি লৈবীনবা মী ৱাৎখি। কুমজা ২০২১ অমদি ২০২২দসু লৌ লোকপা লোইরগা নীংথম মহে-মরোং অমদি মনা-মশিং থাবদা থোইদোক্লা পোথোক য়াম্না পুথোকপা ঙম্বদগী কান্নবা কয়া ফংখি। লৌবুকশিংদগী পুথোরকপা পোথোকশিং ওটোরিক্সো নৎত্রগা টাটা মেজিক্তা হাপ্লগা অয়ূক অঙনবদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা পুরগা পুল্লপ-পুল্লপ থাদোকপা খক্তদা শেন্দোং য়াম্না ফংখি হায়রকখি।

হৌজিক্তি লেপ্তুনা চত্থরকপদগী লৈকায়গী লল্লোনবশিংনা যুমদা লাক্লগা লৌররে অমসুং অশিৎপা শেনফমদগী মনা-মশিংগী মমল কোন্না পীরবসু য়াওরে। মসিনা পোৎ চৈশিং কৈথেলদা পুরগা য়োল্লুবা অমসুং হল্লকপগী মতম মাঙদ্রে হায়রকখি।

হৌজিক থারিবা মহে মরোংশিং অসি নোংচুদ্রবসু ঈশিংগীদি অৱাবা মায়োক্লুদে। লৈম্রামগী ৱাটরর ফোলদগী ঈশিং খোংদা ঈশিং চেলহল্লক্তুনা মথৌ তাবা ঈশিংশিং মরাং কায়না পীবা ঙম্লি। অদুবু করিগুম্বা লায়না-তীলনা তারকপা মতমদদি মদুদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা অৱাবা খরদি মায়োক্লে। থারিবা পোৎলমশিং অসি হেন্না মতিক ময়াই লৈহন্নবগীদমক লৌ শঙম অমদা ষষ্ঠি ত্রেল্লর অমদা লুপা ৩৫০০দা লৈদুনা হার ওইনা শীজিন্নৈ। মপান্দগী লাকপা ফর্টিলাইজরশিংদি কা হেন্না শীজিন্নদে। চত্থরল্লিবা থবকশিং অসিদা করিগুম্বা লম্বী থোং অমদি ঈথৈ লৌখোং নীংথিনা শেমগৎপীরগদি ঐখোয়গী ইমুং খক্তা নত্তনা লৌমীশিংনা মতম মতমগী ওইবা মনা-মশিং অমদি এঙ্গাং-নাপীশিং মরাং কায়না পুথোকপা ঙমগনি। নোংমগী হিংবদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং অসি থোইদোক হেন্দোক্লা লান মায়োক্লরিবা মীয়ামগী খূৎতা য়ৌহনবা ঙম্নবগীদমক হান্নদগী হেন্না থৱায় য়াওনা কন্না হোৎনদুনা মরাং কায়না পুথোক্লবা হোৎনরি হায়নসু ফোঙদোরকখি।

## ‘চীংখোঙদা এঙ্গাং-নাপি থারগা ...

*লমায় ১গী মখা...* খন্দুনা শৈদাংলগা লৈরম্লবা মতুংদা জুলাই থাদগী রিলিফ কেম্প অসিদা লৈরকখিবনি। মফমসিদদি ইমুং মনুং পূন্না লৈমিন্নবা য়াদবনিনা অনাবা ইপুরোইবগী মতেং পাংবা ঙমদ্রে। শেলসু অমত্তা পায়দবদগী ইচা অমদি হোমদা থমখ্রে। অদুগা ঐহাক্লা লৈরল্লিবা নিংথৌখোংগী মাঙ্গোলঙানবী কোলেজদা হাংলিবা রিলিফ কেম্প অসিগী অনকপদা লৈবা মীওইশিংগী আলু তানবা, মরোই ফোয়বনচিংবা মরক মরক্তা চৎতুনা নোংমদা লুপা ১০০/২০০ ফংই অদুগা সর্ফশাদুনা যুম-যুমদা চৎতুনা য়োল্লুবসু য়াওই। মদুদগী ফংলকপা শেল খরদুনা ইপুরোইবগী হীদাক লৈনবা অমদি অঙাংশিংগী অচাপোৎ পীজনবা হোৎনৈ অদুবু কোন্নদবসু কোঙ্গাইনি হায়রকখি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, হৌজিক ফাওবদি ঐগী যুম মৈ থাদ্রি অদুবু ইমুংগী পোৎ চৈশিংদি উপু কাংথোল ফাওবা য়াওনা অমত্তা লৈত্রে হায়বগী পাউ তারে। লৈঙাক্নদি চঙলগা লৈবা য়ানি, সিফাই ঙাকহনগে হায়রি অদুবু ঐখোয়দি চীংখোঙদা শূরগা চাজবনিনা সিফাইশিংনা ঐখোয়বু কয়াম কুইনা য়েংশিনবীগদগে হায়বদু লৈঙাক্তা হংনীংই হায়না ফোঙদোরকখি।

ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ / ইবুধৌ চিংজেং নারল পাঙ্গনবা চাকলোন কৎপা পাউজেল

লাক্লিবা তাং ৩১/০৩/২০২৪ ইং, লমতাগী ২১নি পানবা নোংমাইজিং নুমিৎতা ইবুধৌ চিংজেং নারল পাঙ্গনবগী চহীগী চাকলোন কৎপগী থৌরম পাঙথোকচরগনি। মরম অদুনা নুংশিজরবা শাগৈগী মীপূম খুদিংমক্লা ইবুধৌগী চহীগী চাকলোন কৎপগী থৌরম অসিবু শোয়দনা য়াওবীনবা অমদি মপূং ফাহনবীনবা নোল্লুক্লা নীংশিংজরি।

হায়জরিবা :- সেক্রেটরি
এলাংবম শাগৈ কম্মিটি, কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়, ইম্ফাল
# 8837429836 / 9856855800
চাকলোনগী শেনখায় : লুপা ৩০০/-
HL-P/9921/10,11

ꯁꯥꯔꯨꯛ / Condolence Message



An emergent meeting of "The 20th Century Club" Haobam Marak Chingtham Leikai, Imphal West District is held on 10th March, 2024 at 9 a.m. at the club premises with Shri R.K. Ainsana Singh, President of the club in chair to condole the sudden demise of **Shri K. Birendra Singh,** Founder Member of the club on Thursday, 7th March, 2024.

All the club members expressed profound sorrow and anguish at the irreparable loss and shared the grief and pain of the bereaved family. The meeting observed a two minute silence as a mark of respect to the departed soul.

**Sd/- R.K. Ainsana Singh**
President, The 20th Century Club
HL-P/9930/11

ꯑꯣꯛꯄꯒꯤ ꯊꯧꯔꯝ / ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদা হায়দরবাদতা পাঙথোকখিবা 5th National Master Atheletic Championship-2024 অমদি Khelo Masters Games, 2023-New Delhi দা পাঙথোকখিবদা Long Jump, Javelin Throw অমসুং Discuss Throw দা গোল্ড মেদল লৌবীরকখিবা ক্লব অসিগী ফাউন্দর মেম্বর অমসুং এদভাইজর ওইবিরিবা Shri Kangjam Ibohal Singh অমসুং ক্লব অসিগী মেম্বর ওইবীরিবা Shri Lourembam Ashakumar Singh না 44th National Master Atheletic Championships-2024 পুনেদা অমদি 43rd All India Master Atheletic Championships-2023 Kolkata দা পাঙথোকখিবা 100 meter, 200 meter অমসুং 400 meter দা মথংশিংনা গোল্ড, সিলভর, গোল্ড অমসুং সিলভর মেদল লৌবীরকখিবদা ক্লব অসিনা ওকপগী থৌরম অমা ক্লব অসিগী প্রসিদেন্ট Rajkumar Ainsana Singh না থৌরম মপু ওইবিদুনা ক্লব অসিগী শঙলেন্দা হৌখিবা তাং ৩/৩/২০২৪ নোংমাইজিং নুমিত্তা পাঙথোকখ্রে।

**Sd/- R.K. Ainsana Singh**
President, The 20th Century Club
HL-P/9930/11

INNOVEGIC GLOBAL INSTITUTE
Recognised by MCA, Govt. of India

INSTRUCTOR BITAM LAISHRAM
INSTRUCTOR CARIE ANN CHARTIER (USA) MA LINGUISTIC (TESL)
INSTRUCTOR L. RANJAN SINGH
INSTRUCTOR SURESH LAISHRAM
AVIATION COURSE @ Rs. 20K/- till Selection
SPOKEN ENGLISH/HINDI
COMPUTER NIELIT
7:30am, 9:00am, 10:30am, 2:00pm, 3:30pm.
* Conditions apply
ADMISSION OPEN
NEW FRESH CLASSES COMMENCE On 5th February, 2024
# 6009048058
OLD LAMBULANE, OPP. GP WOMEN'S COLLEGE, GLOBAL SPOKEN BUILDING 2ND FLOOR
HL-B/8555/14/2 to 14/3
HL-B/8348/2,4,6,8,10

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI HOSTEL
Kwakeithel Ningthemkol, Imphal West-795001
ADMISSION OPEN
(FOR BOYS & GIRLS)
Counselling for Class IX & X (BOSEM) 17th March 2024 (SUNDAY) 10: 00 am to 11 : 00 am
CLASS-XII Sc. (COHSEM)
Class Commencing on 5th April, 2024 (4:20pm to 7:40pm)
Counselling - 17th March, 2024 (SUNDAY)
(11 : 00 am 1st Phase & 1 :00 pm 2nd Phase)
Special features for Hostellers:
- Six month Foundation Course.
- Study materials published by Altish Voltex, New Delhi.
- Regular Unit Test.
- Special class for weak students.
- Van services from hostel.
- Freeship for Rank holders.
- Strict rules and regulations.
60 seats only. 20 for Boys and 40 for Girls
N.B: 1. Students should come with proper school uniform at counselling.
2. Mode of selection will be based on HSLC mark and distance.
Form available at:
1. 'SANGAI HOSTEL' Kwakeithel Ningthemkol, Opp. Kwakeithel Tiddim Ground.
2. Office of SANGAI TUTORIAL, Kwakeithel near Imphal College (3:00pm-7:30pm)
8413855751 7085521821